ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : হুয়েন লালোং মণিপুর থা-তা কলচরেল এসোসিএসন ইরিলবুংগী আর্টিষ্ট ৮ বংলাদেশতা পাঙথোক্কদবা ইন্দো-নাগা মণিপুরী কলচরেল ফেষ্টিভেল-২০১৮ তা শরুক য়ারুনবগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

আর্টিষ্ট ৮ অসিনা থাং-তা অমসুং জগোইনচিংবগী পার্ফোমেন্স উৎলুগনি। ট্রুপ লিডরনা টি ঐচ শমুমচানা ওইরি। লোয়ননা মণিপুরগী নাৎকী ওইবা থাং-তা অমদি জগোইনচিংবশিং উৎলুগদবনি হায়রি।

গুলি, নোংমৈ মরু, গাড়ি ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মানেদা, এন এ বি অমসুং য়ুথ ভোলুন্টরি এসোসিএসন খেরগাওগী অপূনবা টিম অমনা থা অসিগী ২২ গী নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা মাংজৌননা পাউ ফংদুনা খেরগাওদা ফত্তবা মীওইশিংগী মায়োক্তা চথখিবা দ্রাইভতা খেরগাও শাবল লৈকাইদা লৈবা এম ডি সের খান (২৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ডি ইন্দনগী ময়ুমদগী দবল বেরেল নোংমৈ ২, বেরেলগী নোংমৈ মরু ৬৭, বেগ অমদা হাপ্পুনা থম্লম্বা লুপা ৪,৫৭,০০০ ফাগৎপা ঙমখি। মখা তানা কোমলা মচুগী কে য়ু ভি ১০০ কে সিক্স কার অমসু ফাগৎখি। মখা তানা য়ুম অদুদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা এম ডি খুরশিৎ বাসৈ (৩০) অপোকপা লৈখিদ্রবা এম ডি রহমন বাসৈ কৌবা ক্ষেত্রিগাও ময়াই লৈকাইদা লৈবা মীওই অসিগী য়ুমগী মমাং থংবা কাগী সিল্লিং মথক্তা লোক্তুনা থম্বা ষ্টিল ট্রঙ্ক ৩ দগী ময়াই কাবা গুলি অমসুং পোৎলম কয়া ফাগৎখ্রে হায়রি। ফাগৎলক্লবা অহানবা ট্রঙ্ক অদুগী মনুংদা এস্পিস্মো প্রোকসিবোন (এস পি) টেব্লেট ওইগনি হায়বা গুলি ৩৪,১৫০ য়াওরম্বদগী ফাগৎখি। অনিশুবা ট্রঙ্ক অদুদা এস পি টেব্লেটনি হায়না চিংনবা গুলি ৩৫১৫০ অমসুং ৩ শুবা ট্রঙ্ক অদুদনা এন টেন টেব্লেট ৩০০০ ফাগৎখি। সাপোন কেপ ৩৮ দা হাপ্পুনা পুরম্বা হেরোইন পাউদর গ্রাম ৪৮৪ সু ফাগৎখি। পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কেস অসি রেজিষ্টার তৌখিবগা লোয়ননা মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথরি হায়রি।

গাড়ি, মোবাইল ফোন পুরকপা থিংলে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবগী মনুংদা তম্লিবা মহৈরোইশিংনা স্কুলদা লাকপদা মখল অমত্তগী গাড়ি অমসুং মোবাইল ফোনশিং পুরকপা থিংলে হায়না য়ুনাইটেদ য়ুথস ফোরম লিলোংনা ফোঙদোরক্লি।

ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সদাম হুইসেন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ফোরম অসিনা লমদম অসিদা চাওখৎ খোঙথাংগী লমদা মাংজিল থানবা হোৎনদুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না মহৈরোইশিংগী লমদসু মীৎয়েং চঙলগনি হায়রি।

ওজাশিংনা স্কুল অমসুং কোলেজশিংদা চাং নাইনা কাবিদুনা স্কুল অমদি কোলেজশিংগী ক্লাস চাং নাইনা লৌবীয়ু অমসুং খোঙজং অসিদা মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : রাম লাল পোল হায় স্কুল ১৯৯০-৯১ মেট্রিক বেটচ অলমনাইগী কুমজা ২০১৮ কী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

ঙানপ্পী থোং মপালদা লৈবা অলমনাই অসিগী এডভাইজর পি বিশ্বকান্তগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা কৈশাম বিজয়কুমারবু প্রসিডেন্ট, কৈশাম দেবদতনা জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং হুইরেম জয়কুমারনা ট্রেজরর ওইনা খনখ্রে হায়রি।

ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : ইষ্টর্ন থাং-তা ওর্গনাইজেসন তাংখমনা শিন্দুনা সঙ্গিৎ নাতক একাদেমী ন্যু দিল্লিগী মখাদা নুমিৎ নিনি চুপ্পা চথরকপা তা খৌশাবগী ৱার্কশোপ ঙরাং তাংখম করিগা লাইরেম্বী হরাওফমদা লোইশিনখ্রে।

ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ওল মণিপুর হুয়েল লাংলোল এসোসিএসনগী প্রসিডেন্ট লাইশ্রম লক্ষ্মননা চীফ গেষ্ট, ইষ্টর্ন থাং-তা ওর্গনাইজেসনগী প্রসিডেন্ট হাওবিজম রোবেনকুমারনা প্রসিডেন্ট, য়ু এফ ওগী য়ুরেম্বমগী শিন্তাকপা খুরাইজম নিলাকান্তা, খা মণিপুর থাং-তা শিন্দম শঙগী শিন্তাকপা য়েনশেনবা তোম্বা, বিষ্ণুপুর ডিষ্ট্রিক্ট হুয়েন লাংলোল থাং-তা এসোসিএসনগী শিন্তাকপা থিয়াম শান্তিকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি অমসুং শিন্দম শঙ কয়াদগী লাকপা তাং-তাগী মহৈরোই কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

প্রাইদ ওফ ইন্দিয়া এক্সপো এৱার্দ ফংলক্লবা বিরেন ওকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মোর্দন পৱর লুম ওন্ট্রপ্রেনর্স' এসোসিএসননা শিন্দুনা প্রাইদ ওফ ইন্দিয়া এক্সপো, ১০৫ শুবা ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস-২০১৮ এৱার্দ ফংলক্লবা সোরোখাইবম বিরেনবু ওকপগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এল ইবেতোম্বী ডেপ্যুটি মেনেজর নেসনল স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ কোওপরেসন লিমিটেদনা চীফ গেষ্ট, সলাম মঙ্গি চিয়রমেন মণিপুর মোর্দন পৱার লুম ওন্ট্রপ্রেনরস' এসোসিএসননা প্রসিডেন্ট অমসুং ডা. খোইরোম তোম্বা মেনেজিং ডিরেক্টর মাইপাকপী মেটর্নিটি এন্দ চাইল্ড হোস্পিটাল, সলাম রুপচন্দ্র এডিস্নেল এডভোকেট জেনরেল গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, এস সুরেস এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া, কে নোগেন রিটয়র কম্মান্দর ইন চার্জ সি আর পি এফ, রনবির কম্মান্দর ইন চার্জ সি আর পি এফ মোংশাঙ্গৈ, ৱাই রঘুমণি রিটয়র জেনরেল মেনেজর ডি আই সি থৌবাল অমসুং এডভাইজর এম আই ডি সি, পি লোকেন চিয়রমেন মণিপুর ইন্দষ্ট্রিজস ডিভলপমেন্ট কাউন্সিল অমদি সোরোখাইবম নিলকমন সোসল-ৱার্করনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা প্রাইদ ওফ ইন্দিয়া এক্সপো এৱার্দ ফংলকখ্রবা সোরোখাইবম বিরেননা হায়খি, মহাক্কী পৱার লুম অসি ইহান হান্না ওইনা পুথোকখিবনি। অদুবু হৌজিক পূন্না পৱার লুম ৫৬ রোম পুথোকখ্রে।

লৈঙাক্কী থবক ফংদ্রগসু পুক্নিংদা অপাম্বা লৈরগদি মদু ইশানা ওইগনি হায়না চপ য়ুংনা খন্দুনা পান্দম অদু ফংদ্রিবা ফাওবা হনবা লৈতনা হোৎনরগদি শোয়দনা মায় পাক্কনি।

অনৌবা পৱার লুম অমা পুথোক্লবা অশুক য়াম্না হোৎনরিবা ময়াম অসি লৈঙাক্লা পূম্নমক উরি-খঙলিবনি অদুবু ইনোভেটর ওইনা হনবা লৈতনা চঙশিল্লিবা অসিদা থাগৎপগী ৱারোল অমা ফাওবা ফোঙদোকপীদবা অসিগীদমক্তদি পেন্দবা ফাওই।

ইন্দষ্ট্রিজস চাওখৎতনা মণিপুর চাওখৎপা ঙম্লোই। ষ্টেট অসি চাওখৎহনগে হায়বা তারবদি লৈরিবা ইনোভেটরশিং অসি পুক্নিং থৌগৎপীবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ডিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবশিংনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিল্লবদি লমদম অসিদা অচুম্বা অফবা হায়বদু পুরক্তুনা চাওখৎপা হায়বদু মপূং ফানা পুরকপা ঙমগনি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

এক্স-সার্ভিসমেন রেল্লি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : হেড ক্বাটর আই জি এ আর (সাউথ) কী মখাদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলস ফুন্দ্রে বটালিয়ন্না শিন্দুনা ১৮৩ শুবা অসাম রাইফলসকী রাইজিং ডেগা মরী লৈননা অসাম রাইফলস এক্স সার্ভিসমেন রেল্লি অমা থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট ওইনা পাঙথোকখ্রে।

লৈবাক অসিগীদমক্তা কথোকখ্রবা ভেটরানশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু শিংথাদুনা এক্স-সার্ভিসমেন রেল্লি অসি পাঙথোকপনি। অসাম রাইফলসকী এক্স-সার্ভিসমেনশিং অমদি ৱিদোশিংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা পেন্সন অমসুং এলাউৱেন্সকী মরী লৈনবা ৱাকৎ কয়াসু রেল্লি অদুদা ফোঙদোক্তুনা খন্নখি। রেল্লি অদুদা অসাম রাইফলসকী ভেটরানশিং, ৱিদো, বিরন্যারি অমসুং দিপেন্টেন্দ ১০ না শরুক য়াখি। এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী কান্নগদবা মেডিকেল ফেসিলিটিশিংসু ফংহনখি।

অমরোমদা ৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৬ অসাম রাইফলসকী লিলোং কম্পেনি ওপরেটিং বেজনা শিন্দুনা লিলোংগী নহা ওইরিবা মীওইশিংবু আর্মর্দ ফোরসেসতা চঙবদা পূক্নিং থৌগৎনবা কেরিয়র গাইদেন্স প্রোগ্রাম অমা লিলোং কৈথেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লিলোংগী মহৈরোই ৩২ রোম্মা শরুক য়াখি। আর্মর্দ ফোর্সেসতা চঙনবগী লমজিং লমতাকসু পীখি। লিলোং কম্পেনি ওপরেটিং বেজ কম্মান্দর মেজর অব্দুল হমিৎনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা পুক্নিং থৌগৎপগী ৱারোল পীখি হায়রি।

কবুই করিউমৈ ফোম শেমখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : মহাবলি কবুই কম্যুনিটি হোলদা কবুই মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ২৫ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা পৌ: লনবোন কবুইনা কনভেনর ওইদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা কবুই করিউমৈ ফোম শেমখ্রে। মীফম অদুদা পৌ: কমল কামসোন্না প্রসিডেন্ট ওইদুনা খুল খুলগী খুলবু অমসুং খুল্লাকপশিং অমদি থৌবৈ পৈকাইগী অহলশিং, মথেনমৈ ফোমশিং, ইমাশিংগী লুপ, কবুই মার্দস এসোসিএসনগী মেম্বরশিং, য়ুথ ক্লবকী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

নৌনা শেমখ্রবা লুপ অসিগী থৌ পুনবা ডা. হিরা মলংমৈবু প্রসিডেন্ট, লনবোন কবুইবু জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং অখোন গাংমৈবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

রিএলাইজেসন ডে এপ্রিল ১৭ তা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ষ্টুডেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না শিন্দুনা লাক্লিবা এপ্রিল ১৭ তা ৩৮ শুবা রিএলাইসজেসন ডেগী থৌরম পাঙথোক্কলগনি হায়না মহৈরোই লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সোইবম অনিলনা ফোঙদোকখ্রে।

ডি এম কেম্পসতা লৈবা এমসু হেড ক্বাটরদা পাউমীশিংগা উন্নবদা সোইবম অনিলনা মখা তানা হায়খি, লৈখিদ্রবা অথৌবা পোৎশংবম লুখোই (প্রেমানন্দ) অমসুং হুইদ্রোম লুখোই অনি অসি ১৯৮০ গী মতমদা ষ্টেট অসিগী ৱাংমদগী মীতোপশিং চঙশিল্লক্লিবা অসিবু তকথোকখিনবা 'গো বেক ফোরেনর' হায়না ঈহৌ হৌখিবা অদুদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিং অসিবু ইকাইখুম্নবা উৎপা ওইনা চহি খুদিংগী এপ্রিল ১৭ তা এমসুনা লিশাংশিংনা রিএলাইজেসন ডে হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাকপগুম চহি অসিগী ওইনসু লাক্লিবা এপ্রিল ১৭ তা থৌরম অসি পাঙথোক্লবা শেম শারে।

বৃটিসকী মখুৎতগী মণিপুর অসি কুমজা ১৯৪৭ দা মনিং মখা তম্লবা মতুংদা কুমজা ১৯৪৯ দা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিল্লুবদগী নিংথৌগী অয়াবা য়াওদনা মীতোপ চঙলকপদা অথিংবা লৈরম্বা অদু কুমজা ১৯৫০ গী নবেম্বর ১৮ দা মতম অদুগী চীফ কম্মিস্নার হিমৎ সিংহনা লৌথোকখিবদগী মণিপুরগী কাচিন- কোয়া শিনবা থুংনা মীতোপশিংনা খুন্দাবা হৌরকখি।

মীতোপ মীয়ানচাশিং লেপ্তুনা চঙলকপনা মরম ওইরগা চীংগী লমফাওবা কোকথোক্তুনা খুন্দাবা হৌরকখি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা লৈঙাক্তা অমসুং শেন্মীৎলোনদা অকায়বা ওইরকখি। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা চীংমী অমসুং তম্মী অনিগী মরক্তা শীংচেপ থাজিন্দুনা ডিভাইদ এন্দ রুল্ডগী পোলিসি থম্বগা লোয়ননা মণিপুর লেন্দ রেভেন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্ম এক্ট ১৯৬০ চৎনরগা তম্পাক্কী মীওইনা চীংদা খুন্দাবা য়াদবগী অথিংবা লৈখি। মসিনা মরম ওইরগা ময়াং লল্লোন-ইতিক তৌবশিংনা খুদোংচাবা লৌরকখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীতোপ মীয়ানচাশিং অসিনা লৈঙাক চুক্লি পায়শিনখিবনা মরম ওইরগা এমসুনা লাইরিক তমদুনা অফবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। অসিগুম্বা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৮০ গী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রবা অথৌবশিং অদুবু নিংশিংবা ওইনা এমসুনা চহি খুদিং এপ্রিল ১৭ তা রিএলাইজেসন ডেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসিদা মীয়াম পূম্নমক্লা শরুক য়াবিবগা লোয়ননা হৈকৎ- লৈকৎ তম্বা অমসুং মীয়ামগী মীফম অসিদা য়াওবিয়ু। নুমিৎ অসিদা তোঙান তোঙানবা লূপশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনসু বন্দ অমদি ব্লোকেদ অমত্তা তৌবিদনবসু ফোঙদোকপগা লোয়ননা নুমিৎ অসিদা হরাও-কুম্হৈ পূম্নমক লেপ্তুনা অথৌবা অনিগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা অসিদা শরুক য়াবিয়ু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

'স্কুলগী অৱাৎপা ওজাশিং থাবিরকউ'

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : উয়ুংপোক অপ্পর প্রাইমরি স্কুলগী অৱাৎ-অপাশিং পীবিরক্লবা পিছ এন্দ ডিভলপমেন্ট কো ওর্দিনেটিং কম্মিটিনা তকশিল্লক্লি।

স্কুল অসিগী মেনেজমেন্ট অমদি ডিভলপমেন্ট কম্মিটিনা হোৎনবদগী চৎলিবা চহি অসিগী সেসন অসিদা মহৈরোই ১৪০ তল্লে। লোয়ননা এডুকেসন মিনিষ্টরনা স্কুল অসিগী অৱাৎ-অপা য়েংবীরম্বা মতমদা অৱাৎ-অপাশিং পীবিরক্কনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকপীরমখি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা এডুকেসন ডিরেক্টরনা ওর্দর থোকখিবা অৱাৎপা ওজাশিং হৌজিক ফাওবা জোইন্ট তৌদ্রি হায়রি। অসিগুম্বা ওজাশিং অসি লৈঙাক্লা য়েংশিনবীনবা ফোঙদোরক্লি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : নারকোটিক সেল ইম্ফাল ৱেষ্টকী ও সি ইন্সপেক্টর কে রঞ্জিৎনা লুচিংবা টিম অমনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম জেলালৈরক্তা লৈবা লাইশ্রম তোম্বীগী মচানুপা লাইশ্রম সুসিলচন্দ্র অমসুং মমৌনুপী অমব্রাদগী মশিং য়াম্লবা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেট অমসুং শেল ওইনা লুপা ২৬,০৮০ অমদি নোংমৈ মরুনচিংবা পোৎলম কয়া ফাগৎখিবগীদমক সেগারোদ কোঞ্জেংহজারি লৈকাই ডিভলপমেন্ট কম্মিটি অমদি মৈরা পাইবীনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

কোঞ্জেংহজারি লৈকাই ডিভলপমেন্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা লৈকাই অসিগী মনুংদা লৈবা মীওইশিংনা মখল খুদিংমক্কী ময়াই কাবা চিঙ্গাক ওইরিবা য়ু, গুলি, নম্বর ৪ অমসুং দল্লিয়ু ৱাইনচিংবা চাবা অমদি য়োনবা লেপত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

মাইবম ওংবী বিমোলা নিংশিং মনা

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : ঈরমদম খোর্জৈ অপূনবা লূপ (ইকল) হিয়াংলম ৱাবগাইনা মাইবম ওংবী বিমোলা নিংশিং মনা-২০১৮ পীনবগীদমক কুমজা ২০১৪ দগী ১৮ কী মার্চ ফাওবগী মনুংদা ফোঙখিবা অশাংবা ৱারিগী লাইরিকশিং কৌরি।

লাইরিকশিং অদু লাক্লিবা এপ্রিল ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লক্কদবনি অমসুং লমাই ১০০ দগী তাদনা পানগদবনি হায়রি।

মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সোল ১ অমসুং সাইটেসন অমা য়াওরি। মনা অসি লৈখিদ্রবা মাইবম কুঞ্জো এক্স এম এল এ হিয়াংলম এ সিনা মহাক্কী লোইনবীগী মিংদা কৎলম্বনি হায়রি।

অমরোমদা লূপ অসিগী থা ৬/৬ কী ওইনা ফোঙবা চেফোং ঈহৌরকপগীদমক অইবা-অইবীশিংদগী ৱারেং, শৈরেং অমদি ৱারি মচানচিংবা কৌরি হায়না ঈকলগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

স্কিল ডিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : আই সি এ আর, এন ই ঐচ মণিপুর সেন্টর ইম্ফালগা আই সি এ আর- এন বি এ আই এ এম, মৌগা পূন্না খুৎশমননা শিন্দুনা ট্রাইবেল সব প্লান্টকী মখাদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্পা পাঙথোকখিবা স্কিল ডিভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম ওন মাইক্রোব বেজ টেক্নোলোজিস থা অসিগী ২৪ দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু হৌদোকপদা প্রো. জে এম লাইশ্রম দিন, কোলেজ ওফ এগ্রিকলচর সি এ য়ু ইম্ফাল, ডা: আই মেঘচন্দ্র জোইন্ট ডিরেক্টর মণিপুর সেন্টর আই সি এ আর আর সি এন ই ঐচ অমসুং ডা. পৱন কে শর্ম্মা, ডা. হিল্লোল চাকাদার অমসুং ডা. অর্জুন সিংহ আই সি এ আর- এন বি এ আই এম মৌ উত্তর প্রদেশসু শরুক য়াখি। ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ইম্ফাল, চুড়াচান্দপুর, চান্দেল, উখ্রুল অমসুং তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্টতগী লাকপা ফার্মর্র কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রো. জে এম লাইশ্রমনা, লৈবাক- লৈহাও ফনা থম্নবা হোৎনবদা বাইওফর্টিলাইজরগী মরু ওইবা ৱারোল ফোঙদোকপগা লোয়ননা হীরম অসিদা মাইক্রোব বেজ টেক্নোলোজিসকী মরু ওইবা অমসুং লৈবাক লৈহাওগী মরু ওইবনচিংবা কয়াগী মরমদা ৱা ঙাংখি। ডা. আই মেঘচন্দ্রনা মাইক্রোবশিং হন্থরবদি লৈবাক লৈহাওগী চাং হন্থরক্লিবা অমসুং ওর্গনিক্কী ওইবা পাম্বৈনা লৈবাক- লৈহাওগী ফিভম কায়হন্দনা থম্বগী তঙাইফদবা কয়াগী মরমদসু ৱা ঙাংখি হায়রি।

ডা. পে কে শর্ম্মনা আই সি এ আর-এন বি এ আই এমনা লৈবাক- লৈহাও কনবা অমসুং লৈহাওগী চাং কায়হন্দনা থম্বদা লৌউ-শিংউবগী লমদা মাইক্রো ওর্গানিজমনা লৌরিবা মরু ওইবা থৌওংশিং অদুগী মরমদা ৱা ঙাংখি। চেংগুমগী পোথোকশিং পুথোকপা, বাইওপেষ্টিসাইদ, বাইওফর্টিলাইজর, কম্পোষ্টিংনচিংবদা মাইক্রোব বেজ টেক্নোলোজিগী থৌওং কয়াবু মীয়ামদা হকথেংননা ডেমোন্সট্রেসন তৌদুনা ডা. অরাপতি নিংঙোম্বম, ডা. সুসিল কে শর্ম্ম অমসুং ডা. টি বসন্তনচিংবা আই সি এ আর আর সি এম ই ঐচকী মণিপুর সেন্টরগী অখং-অহৈশিংনা লেকচরনচিংবা পীদুনা উৎখি।

আই সি এ আর-এন বি এ আই এম মৌনা পুথোকপা বাইও-এন পি কে লিক্যুট বাইওফর্টিলাইজরশিং মীয়ামদা য়েন্থোকখি অমসুং অসিগুম্বা লিক্যুট বাইওফর্টিলাইজর অসিনা ফৌদিদা লায়না-তিন্না তাদনবা পায়খৎলিবশিং অদু মীয়ামদা উৎখি। লৌমীশিংনা মরু-মরাংশিং লায়না-তিন্না চঙদনবা হোৎনবদা কেমিকেল ফর্টিলাইজরগী মপাল তাংলিবসিবু হন্থহন্নবা অমদি লৈবাক লৈহাও কায়দনা থম্নবগী মরমদা ডা. অর্জুন আই সি এ আর এন বি এ এমনা ৱা ঙাংখি।

বাংলাদেশতা ৱারি লিরুগদৌরি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : রিপর্টরি ওফ ৱারি লিবা মণিপুরনা তাংলবা নরেটিব আর্ট মখল অমা ওইরিবা ৱারি লিবাবু মালেমগী থাক্তা খঙহন্নবা অমদি শন্দোকননবা হোৎনরিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা বাংলাদেশতা ৱারি লিরুগদৌরি।

মণিপুরী কলচরেল কমপ্লেক্স বাংলাদেশনা শিন্দুনা থা অসিগী ২৯ দগী ৩১ ফাওবা বাংলাদেশকী তৈতাই গাউন, অদমপুর বজার, কমলগোনি, অমসুং মৌলুবি বজারদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দো-বাংলা মণিপুরী কলচরেল ফেষ্টিভেল-২০১৮ কী মনুং চনবা কলচরেল প্রোগ্রাম ওইনা ৱারি লিবগী থৌরমশিং পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

মালেমগী থাক্তা অহানবা ওইনা ইন্দিয়াগী ৱাংমদা ৱারি লিবগী থৌরম পাঙথোক্কনি। বাংলাদেশতা ৱারি লিগদৌরিবা মীহুৎশিং অসি রিপর্টরি অসিগী ডিরেক্ট তখেল্লম্বম শ্যামকনহাই, কোন্থৌজম কুঞ্জোনি। বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংগী মরক্তা ৱারি লিলা আর্টকী মরমদা খন্ন নৈনরুগনি হায়রি।

খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচর্স এসোসিএসন (এমেষ্টা) গী ওজাশিংগী অপূনবা এগজিক্যুটিব কাউন্সিলগী মিটিং অমা থা অসিগী ২১ দা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ৭ শুবা পে কম্মিসননা লেপ্পা তোলোপ মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈরিবা ওজাশিংদসু কুমজা ২০১৬ দগী পারগা চৎহনগদবনি হায়না তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি। গভর্ণমেন্টনা ওজাশিংগী এ জি পি অমসুং পে এনোমেলিজ শেমদোকপীদুনা অথুবদা ৭ শুবা পে চৎনহনবিদবা তারবদি এডুকেসন (এস) কী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা এসোসিএসনশিংগা পূনশিন্নদুনা খোঙজং চঙশিন্নবা এমেষ্টানা ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী ইমপ্লোয়শিং অসিখক্তমক অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংগী মরক্তা ৭ শুবা পে পিদবগী নুংঙাইতবা ফোঙদোকপগা লোইননা মণিপুর গভর্ণমেন্টনসু ষ্টেট অসিগী ইমপ্লোয়শিংবু ৭ শুবা পে পীগনি হায়না লাওথোকপা ঙমদবসি লাইবক থিবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ওফিস শাবদা তেংবাংবিয়ু

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : লৌমী-শিন্মী অপূন লূপ (লৌশাল) মণিপুরগী ওফিস অমা কোংপাল কোংখাম লৈকাই, পোং লম্বী মনাক্তা শাবা হৌরগনি অমসুং লৌশালবু নুংশিবিবা পূম্নমক্লা তেংবাংবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি। লৌশালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুমুজম রোনেক্স খাবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লূপ অসি কুমজা ২০০২ গী সেপ্টেম্বর ২১ দা লিংখৎখি। লৌমী-শিন্মী য়াওদনা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইবা য়ারোই হায়বা ৱাখল্লোন্না মাং থাদুনা লৌমী অমদি শিন্মী মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা লূপ অমনি। মণিপুরগী লৌ উবা য়াবা মফমশিং মাংশিল্লক্লিবা অসিবু কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং য়াদুনা লাক্লি। লূপ অসিগী অশানবা ওফিস ব্রহ্মপুর গুরু অরিবম লৈকাই ওল থুম্বু থোং মনাক্তা লৈবা অসিনা লৌমী শিন্মীগী থবক থৌরম কয়া মীয়ামগী মতেংদগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

লিডরসিপ ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : কেপাসিটি বিল্ডিং এন্দ লিডরসিপ ট্রেনিং প্রোগ্রাম ফোর স্কুল চিলন্দ্রেন হায়বা নুমিৎ নিনিগী ওইবা প্রোগ্রাম অমা খা ইম্ফাল হায় স্কুলদা থা অসিগী ২৪ অমসুং ২৫ দা পাঙথোকখ্রে।

গান্ধি সম্রিটি অমসুং দর্সন সম্রিটি ন্যু দিল্লি অমদি কষ্টুরবা গান্ধি ইন্সটিট্যুট ফোর ডিভলপমেন্ট মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসি লোইশিনবগী থৌরম ৱাই হেমচন্দ্র জেদ ই ও ৱাঙ্গোই ইম্ফাল ৱেষ্টনা হৌদোকখি।

প্রোগ্রাম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা লাইফ স্কিল এডুকেসন এন ৱাই কে এস টি লোংজম এলেক্সনা হেল্থ এন্দ সেনিটেসন এ আই আর ইম্ফালগী প্রোগ্রাম এগজিক্যুটিব বিজয়া য়ুমলেম্বমনা কেরিয়র গাইদেন্স এন্দ কাউন্সিল অমসুং কে জি আই ডিগী সেক্রেটরি ডা. ও সরিতানা নিদস ওফ কম্যুকেটিং স্কিল অমং চিলন্দ্রেন হায়বা অসিদা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

অনিশুবা নুমিৎতা অঙাংশিংগী ওইবা পেন্টিং অমসুং ষ্টোরি টেলিং কম্পিটিসন পাঙথোকখি। সেফ অৱর এনভাইরোনমেন্ট হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা পেন্টিং কম্পিটিসন অদুদা সেন্ট জোর্জ হায় স্কুলগী মহৈরোই দৌলাস লম্বা ময়ুম্না ফার্ষ্ট, কে ভি লম্ফেলগী মহৈরোই লিস্থোই সাপম্না সেকেন্দ অমসুং কষ্টুরবা গান্ধি বলিকা বিদ্যালয়া ময়াংইম্ফালগী মহৈরোই সোনিকা থোঙাম্না অহুমশুবা তাখি।

'লব, ট্রুথ এন্দ পিছ' হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা ষ্টোরি টেলিং কম্পিটিসন্দা লিট্ল ফ্লাৱরগী মহৈরোই কে ঐচ ভেনসনা অহানবা, মারিয়া মোন্টেশ্বরি সেনিয়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই লৌক্রাকপম হেনিনা সেকেন্দ তাখ্রে।

কুরঙ্গা নয়নি উৎলুগনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমী ইম্ফালগী ডিরেক্টর এন উপেন্দ্রোনা লুচিংবা মীওই ৭ না শাবা কলচরেল ডেলিগেসন অমা উখ্রুল, তোলোই, তুইনেন অমসুং রগুইনচিংবা উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থা অসিগী ২৪ দগী ২৫ ফাওবা ষ্টডি টুর প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীহুৎ কাঙবু অদুদা পি ধনজিৎ গুরু লাই হরাওবা, অঙালু থাইমৈ গুরু ট্রাইবেল, বেসি ফোজে গুরু (ট্রাইবেল) সু শরুক য়াখি। টিম অদুনা হায়রিবা মফমশিং অসিগী নাৎকী ওইবা পোৎলম কয়া অদুবু চাওখৎনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কলচরেল এক্টিভিষ্টশিং অমদি নহা ওইবা মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারি শান্নখি।

নুমিৎ নিনি/হুম্নিগী ওইবা ট্রাইবেল ডান্স অমদি ম্যুজিক্কী প্রোগ্রাম অমা লাক্লিবা সেপ্টেম্বরদা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লোকল গ্রুপশিংনা শরুক য়াহন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়রি। একাদেমী অসিনা কুমজা ২০১৬ কী ওক্টোবরদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ফেষ্টিভেল ওফ ট্রাইবেল ডান্স তমেংলোং ডিষ্ট্রিক্টকী তামৈদা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা একাদেমী অসিগা কোলকতাগী মৈতৈ জগোয়গা পূন্না শিন্দুনা থা অসিগী ২৮ গী নুমিদাং পুং ৬.৩০ তাবদা কোলকতাগী হো চিন মিন সরনিদা লৈবা রবিন্দ্রনাথ তেগোর সেন্টর আই সি সি আরগী সত্যজিৎ রে ওডিটোরিয়মদা কুরঙ্গা-নয়নি ডান্স ড্রামা উৎকনি। ডান্স ড্রামা অসি সঙ্গিৎ নাতক একাদেমী ন্যু দিল্লিগী রবিন্দ্র পুরুস্কার এৱার্দী দেবজানি চলিয়াগী ময়েক্তা শান্নবা ডান্স ড্রামানি অমসুং সঙ্গিৎ নাতক একাদেমী এৱার্দী টি ঐচ চাওতোম্বীনা ডিরেক্টর অমসুং কোরিওগ্রাফর ওইনা পুথোকপনি।

ত্রিপুরাগী গভর্ণর তাথাগতা রোইনা প্রোগ্রাম অসি হৌদোক্কনি। প্রো. ঐচ তোম্বী ভাইস চিয়রমেন জে এন এম ডি এ অমসুং এন ওপেন্দ্রো ডিরেক্টর জে এন এম ডি এসু থৌরম অসিদা শরুক য়াগনি।

মীওই ৩ না শাবা টিম অমা থা অসিগী ২৫ দা প্রোগ্রাম অসি পাঙথোক্লবগী এডভাইন্স টিম ওইনা ইম্ফাল থাদোকখ্রে। অতোপ্পা গ্রুপ মেম্বর ২০ অদুসু থা অসিগী ২৭ তা ইম্ফাল থাদোক্লগনি অমসুং ডান্স ড্রামা অসি উৎলম্লবা মতুংদা মার্চ ২৯ দা ইম্ফালদা হল্লক্কনি হায়রি।

কাঙলোন চুম্না লাইরোই পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৬ (ঐচ এন এস) : য়াইরিপোক তোপ চীংথাগী নোংপোক পান্থোইবী হরাওবগী লাইরোইদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক অমা থোকপদগী লোইশিন্দনা লাকপা লাইরোইগী থৌরম অদু সনা কোনুংগী অয়াবগা লোয়ননা থা অসিগী ২২ দা লোইশিনখ্রে হায়না উমং লাই কনবা অপূনবা লূপ (উকল) গী চেরোল অমনা হায়রি।

উকলগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এল অরুন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা লাই হরাওবগী থৌরম অদু লোইশিন্দনা লৈবদগী লৈকাই, খুলগী মীয়ামদা নুংঙাইতবা পোক্লদুনা লাকখিবনি। লৈকাই খুল অদুগী নুংঙাইতবা, নুংনাংবা কয়া অদুগী খল্লগা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা সনা কোনুং উত্রা শঙলেনগী ফম্নাইবশিং, উকল, লৈকাই অহুমগী ক্লবশিং অমদি মৈরা পাইবী লূপশিং য়াওনা অমত্তা ওইনা থৌদাং লৌমীন্নদুনা লোইশিন্দনা লৈরম্বা হরাওবগী থৌরম অদু লোইশিনখিবনি। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর শ্যামকুমারসু শরুক য়াখি হায়রি।

রেদ আর্মি অপরাইজিং দেগী য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ঙরাংগী মখা...

মরম অদুনা ঙসি ঙসিমক ইরমদম কংলৈপাক্তা চথরিবা মীয়ামগী নিংতম য়াওল ঈহৌ অসি মালেমগী অপূনবা লূপ য়ুনাইটেদ নেসনস্না অয়াবা পীরবা ঈহৌনি। মসিবু য়ু এনগী তেংবাংগা লোয়ননা নোংমদি শোয়দনা ঐখোয়গী নিংতম য়াওল ঈহৌগী পন্থুং য়ৌবা ঙমগনি। ঙসি-ঙসিমক ইন্দিয়ানা ইরমদমগী কৈথেলদা থাদোরক্লিবা পোৎলমশিং অসিদা য়ানশিল্লিবা পোৎচাকশিং মরূ-মরাং অমদি অতৈ মচুমমেনশিং অসি হকচাং শোক্লিংঙাই কয়া য়াওরি হায়বসি মীয়াম হুপ্পা খঙনরে। শেন্দোং হেন্না ফংনবগীদমক য়োন্নিংবা মমলদা য়োনবা য়ানবা মমল থাদবা অমদি পোৎগী ভেল্যুগা চানদবা মমল থাজিনবা, পোৎ শাবগী মতম অমসুং শীজিন্নবা য়াদবগী মতম চুম্না ইদবা নৎত্রগা শুংই ইদবা কয়া কৈথেলদা মরাং কায়না ফংলক্লি। মসিবু চারুবা মীওইশিং মরুওইনা অপীকপা অঙাংশিং অমসুং মপা-মমা ওইরিবশিংগী হকচাং অমদি কোক্তা অমাঙবা থোকহল্লিবা চাং অসিনা লোইরোইননা মীরোল অমদগী অমা তম্না জেনোসাইদকী থৌওং চথরক্লি হায়রি।

লৈঙাক্লা লমদমসিদা হোংনা ফংহল্লিবা চেঙ সুপরফাইন অমদি অতৈ য়ানশিল্লবা পোৎলম কয়া মীওইবগী হকচাং শোক্লীংঙাই ওইরবা প্রিজার্ভেটিব মচলশিং পোৎয়ান তৌরে হায়বসি চীঙ্গাক্কী এক্সপর্টশিংনা লাউথোকখিবা লৈরে। মসিগী পাউখুম পীবা ফাওবা ঙমদবা লৈঙাক্কী অরোনবা থৌশিল অমা ওইনা ঙসিসু কৈথেলদা থাদোরক্লি। মসি নৎতনা অতোপ্পা পাম্বৈ লৈত্রবগুম্না মীয়ামসু হূ য়াওরবা চেঙ অসি চাদবা য়াদবগী তাঙ্কক অমদা লাকখ্রে। মসিমক লৈঙাক্লা তায়ওন্নরা চথরকপা অরোনবা থৌরাংশিংবু অচুম্বা ওইনা উহল্লকপগী মপূং ফারবা থক-খা অনীমক্তা লিথোকপা, নান্থোকপা ঙমহন্দনবগী ময়েক শেংলবা শক্লোননি।

ঙসিদি মালেম অসি শেন্দোং তানবদা পূক্নিং লুপ্পা ইম্পেরিএলিষ্ট অমসুং কোলোনিএলিষ্ট লৈঙাক্লা খূৎলিংবা লৈবাক মশীং য়ামশিল্লক্লি। য়ু এস এ-নোর্থ কোরিয়াগা মুক্লবা, আরব ইজরেলগী কোল্ড ৱার, নাইজেরিয়া, অফঘানিষ্টান, ইরাক অমসুং সিরিয়াগী ৱাথোকশিংদা খূদোংচাবা লৌদুনা মালেমগী মপাঙ্গল কনবা লৈবাকশিংনা মালেমগী কৈথেল ফংনবা অমসুং খোঙফম চেৎশিন্নবা লৈজবা পাঙ্গল লৌশিং পুথোক্কদুনা লমজেল তান্নরি। মরম অদুনা অসিগুম্বা চরকচহিংনবা ৱাথোক লৈরিঙৈ মতম অসিদদি ইশানা ইরোমদোম শূজ-নোমজদুনা কনাদসু মীপান তাংদনা ইশাগী লাইবক লেপচনবা হোৎনবা হায়বসিনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইরগনি হায়বসি ময়েক শেংলে।

স্কৱার কিলোমিটর ১৭,৪১৮ ওইদুনা কংলৈপাক্কী পাক চাওবগী চাদা ৭৮.১ ওইরম্বা মহৌশাগী লনগৈ উমংশিং তৎতনা মাঙহল্লকপা অমসুং সিক্যুরিটিগী মীৎয়েংদা উমং কোকথোরকপা অসিনি। লেপ্তুনা উমং-ৱামং কোকথোরকপা অসিনা মহৌশাগী খলদা কায়হনবদা নৎতনা লমদমসিগী হান্না লৈজরম্বা লম্মীৎ-তুম্মীৎলোনদা অহোংবা থোকহন্দুনা লমদম অসিগী লৈহাওদা তাংদুনা হিংজবা মীচম মীয়াম কয়াগী পূন্সি অৱাফমদা তাহল্লি। ইন্দিয়ানা চথরিবা হামচৎনরবা লৈঙাক্তগী ঐখোয়না য়াইফবা, চাউখৎপা, নিংতম্বা পূন্সিরোলনচিংবা পুরক্কনি হায়বগী থোইদোকপা মঙলান মঙলুনিংঙাই লৈতে। ঙসিদি রেদ আর্মি অপরাইজিং দে থৌরম পাঙথোরকপা চহী ৩৭ মপূং ফারে। চহী খরা অসিদা রেদ আর্মিশিংনা থৌনা লৈনা সেক্যুরিটি ফোর্মশিংগী মথক্তা থেংখাঙ খরদা মখল কয়াগী লান্দা চথদুনা ইন্দিয়াদা চৈথেং খরমখৈদি পীবা ঙমখ্রে। মসিমক রেদ আর্মিশিংনা কথোকপগা লোয়ননা থৌনা লৈনা নিংতম য়াওল লান্থেং চথখিবগী মহয়নি। মতুং তারকপদসু রেদ আর্মিশিংনা আই ও এফকী মথক্তা হেন্না মশক থোকপা লান্দা কয়া চথরকখিগনি হায়বসি ঐখোয়গী, মীয়ামগী থাজবনি। মীয়ামগী অপাম্বা অসি রেদ আর্মিশিংনা থুংহনগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

ঙসি ৩৮-শুবা রেদ আর্মি অপরাইজিং দে ২০১৮ লাকপদা ইরৈপাক্কী মমল য়াম্লবা অথৌবা-অথৌবী কয়ানা মীয়ামগী ওইবা অশুপ্পা য়াওল লান্থেং অসিদা থোক্লক্তুনা মপূং ফাবা রেদ আর্মি অমমম্ ওইদুনা ইমা লৈবাক্কী নিংতম্বা, চাউখৎপা, মান্নবা খুন্নাই অমগী অচুম্বা য়াওল ঈহৌ অসিদা পূন্না চঙশিনমিন্নরসি অমদি অনৌবা মঙলান অমগীদমক পূন্সি কথোকমিন্নরসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।